# অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) কপ ২০১৭
## বি এস সি খাবম অমদি এস আর বি নোঙদম মাই পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ঃ পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু)না শিন্দুনা তিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ঙরাংদগী হৌদুনা পুঙদোংবমদা লৈবা লম্লাই হায়স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু) কপ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অন্দর সেভেন্তিন, নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শন্নখিবা লিগ মেটচতা বি এস সি ইন্দিয়ান অর্মি, খাবম্না ৱাই দি সি এল, পুঙদোংবম্বু গোল ৩–২দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা পি জে এ, পুঙদোংবম্না এস বি আর , নোংদম্বু গোল ২–১দা মাইথিবা পিখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনিশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা বি এস সি ইন্দিয়ান আর্মি, খাবম্বগা ৱাই দি সি এল পুঙদোংবমগা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবনি। মদুদা বি এস সিনা ৱাই দি সি এলবু গোল ৩–২দা মাইথিবা পিখিবনি।

বি এস সিগী মাই পাকপগী গোল অদু তিম অসিগী কিরননা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী অপিবা মতমগী মিনিট ১৪ অমদি ২১ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি। অদুগা বিদ্যাসাগরনা অনিশুবা হাল্ফকী মিনিৎ ৫৩ চৎপা মতমদা গোল ১ চনখি।

মাইথিহৌরবা ৱাই দি সি এলগী গোল অদুনা তিম অসিগী কে ঐচ লকিসন অহানবা হাল্ফকী মিনিট ৭ চৎপা অমদি এল ফোরেন মিনিট ৪১ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা মেটচ ওইনা শন্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা এস আর পি নোংদমগা পি জে এ পুঙদোংবম্বগা লাম্বা তৌদুনা শান্নখিবনি। মদুদা পি জে এনা অস আর বিবু ২–১দা মাইথিবা পিখিবনি। পি জে এগী মাই পাকপগী গোল অদু তিম অসিগী দল্লিয়ু অথোইবনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী মিনিট ৪২ অদুগা দল্লিয়ু রাহুলনা অনিশুবা হাল্ফকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি। মাইথিহৌরবা এস আর বিগী গোল অদুনা তিম অসিগী কে ঐচ অনোসনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী মিনিট ৩৬ চৎপা মতমদা গোল ১ চনখিবনি।

# ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ৮ শুবা মেটচতা কিংস এলেবেন পঞ্জাবনা
## রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে






পঞ্জাবকী মখুত্তা মেটচ মায়থিখ্রবসু য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উত্নুনা বোল ৪৬ তা রন ৮৯ লৌখিবা বেঙ্গলোরগী ভিলিয়র্স সোট তৌবা

*বেঙ্গালুরু ,এপ্রিল ১০ঃ*

বেঙ্গালুরু সহরদা ঙসি মফম অদুগী ক্লব অমা ওইরিবা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর অমসুং কিংস এলেবেন পঞ্জাবনা শান্নখিবা আইপিএলগী ১০ সিজনগী ৮ শুবা অদুদা কিংস এলেবেন পঞ্জাবনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী সেন ৱেটসননা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী বেটসমেন ৪ খক আওট ওইরগা অপীবা ওভর ২০ দা রন ১৪৮ খক লৌবা ঙমখিবনি।

টিম অদুগী ইন্নিংস হৌদোরকখিবা কেপ্টেন সেন ৱেটসন অমসুং বিষ্ণু বিনোদনা শুপ্নগী রন ২ গী পার্টনর্সিপ লৌবদা ঙাইরিঙৈ ৱেটসন কিংস এলেবেন পঞ্জাবগী বোলর অজর পটেলনা ষ্টম্প থুগাইদুনা রন অমদা আওট ওইহনখি।

অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা এবি দি ভিলিয়র্স শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা বিনোদনা মখা তানা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ শেম্নবা হোৎনরকপদা রন ১৬ লৌমিন্নরগা অপুনবা স্কোর রন ২০ য়ৌরকপদা ওপনর বিনোদ রন ৭ তা কিংস এলেবেন পঞ্জাবগী বোলর সন্দিপ শর্ম্মনা আওট তাহনখি।

মরিশুবা বেটসমেন কেদর যাদব শান্নবা চঙলকখিবা মহাক শুপ্নগী রন অমা লৌরগা পঞ্জাবগী বোলর বরুন আরোননা আওট তাহন্দুনা চেলেঞ্জর্সকী অহুমশুবা ৱিকেট অদুসু অপুনবা স্কোর ২২ দা আওট তাহন্দুনা টিম অদুগী ফিভম শোকহনখি।

মঙাশুবাবেটসমেন মন্দিপ সিংহ অমদি ভিলিয়র্সনা মরিশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ৪৬ হাপচিন্দুনা টিম অদুগী স্কোর অদু ৬৮ য়ৌহল্লকখি। মন্দিপ সিংহ মশাগী রন ২৮ শুরকপদা আওট ওইদুনা রোয়েল চেলেঞ্জর্সকী মরিশুবা ৱিকেট রন ৬৮ দা আওট ওইখি।

ভিলিয়র্স অমসুং ষ্টোর্ট বিনিনা মখা তানা আওট ওইদনা রন ৮০ গী পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা অপুনবা স্কোর অদু রন ১৪৮ য়ৌখিবনি। ভিলিয়র্স বোল ৪৬ তা সিক্স ৯ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৮৯লৌখি। অদুগা বিনিনা বোল ২০ দা সিক্স অমসুং ফোর অমমম য়ৈরগা রন ১৮ লৌখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা কিংস এলেবেন পঞ্জাবনা রন ১৪৯ লৌগদবা অদু ইন্নিংসকী ১৫ শুবা ওভরগী অহুমশুবাবোলদা ৱিকেট ২ খক তুরগা রন ১৫০ য়ৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৮ দা মখোয়না থোইখি।

ওপনর ওইখিবা মানন বোরা রন ৩৪ দা আওট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা অজার পটেল রন ৯ দা আওট ওইখ্রবা মতুং অতোপ্পা ওপনর হাসিম আমলা অমসুং গ্লেন মেক্সৱেলনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক আওট ওইদনা রন ৮২ লৌদুনা মেটচ অদু মায় পাকখিবনি।

আমলা বোল ৩৮ দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫৮লৌখি। অদুগা মেক্সৱেলনা বোল ২২ মায়োক্লবদা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা পুন্না রন ৪৩ লৌদুনা আওট ওইদনা লৈখি।

# অহানবা আর কে এফ দি সঙাই ট্রোফিগী ফিক্সর দ্রো তৌরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ঃ আর কে ফোর্চুন দিভলপ্পর প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌবা অহানবা আর কে এফ দি’এস সঙাই ট্রোফি ভেটেরান ফুটবোল চেম্পিয়োন্সিপ ২০১৭, লাক্লিবা থা অসিগী ২৩দগী হৌরগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গানাইজিং কম্মিটিগী কনভেন্নরনা সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহলক্লি।

চেরোল অদুনা, ইন্ত্রি ফোর্ম পিশিনবগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ১৫দা ওইরগনি অদুগা ফিক্সর দ্রোনা থা অসিগী ১৭তা তৌরগনি। চেম্পিয়োন্সিপ অসিদা ৱিন্নর ওইবা তিমদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৭০ অদুগা রন্নর্স অপতনা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৪০ পিগনি হায়রি।

# চহী ১৯ মখাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না চহী অসিগী মে থাগী অহানবদগী অসাম রাইফলসনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চহী ১৯ মখাগী নুপামচাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

# ভেতরান কপকী অনৌবা সেদ্যুল পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ঃ

টিঐচ বিরচন্দ্রা সিংহ ফুটবোল একাদেমীনা শিন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা টিবিএসএফএ ভেতরান কপ ইভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী নৌনা শেমদোক্লগা সেমি ফাইনেল মেটচ অনীগী মতম পীখ্রে। অহানবা সেমি ফাইনেল থা অসিগী ১২ দা শান্নরগা অনীশুবনা থা অসিগী ১৩ দা শান্নগনি হায়রি।

# হোক্কি ইন্দিয়া সেনিয়র ৱুমেন্স টুর্নামেন্টকীদমক মণিপুরগী তিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ঃ

চৎলিবা থা অসিগী ১৫ দগী ২২ ফাওবা হরিয়ানাগী রোতক সহরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সেনিয়ার ৱুমেন্স নেস্নেল চেম্পিয়েন্সিপতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর ষ্টেটকী নুপী হোক্কি তিম অমসুং ওফিসিয়েলশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুর মহুৎ শিন্দুনা য়ারুগদবা শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপরদা এল অনুপামা(ফাম) অমসুং পিঐস অঞ্জনা (আইদিয়েল), ফুলবেক্তঃ ফামদগী টিঐস রোমিতা অমসুং এস ইবেনি লোয়ননা আইদিয়েল ক্লবতগী দল্লিয়ু মেরিনি।

হাল্ফ লাইনদা ফাম ক্লবতগী কে অরুনা অমসুং টি প্রিয়াবতি, মৈরা ক্লবতগী এন অমুবী অমসুং টিঐচ রাইনা লোয়ননা আইদিয়েল অমসুং সেৱো ক্লবতগী এন জি হোমেশ্বরী অমসুং টিঐস সুচিত্রানি।

ফোরৱার্দ লাইনদা শান্নরোই ৭ খনগৎখিবগী মনুংদা ফাম ক্লবতগী শান্নরোই অহুম য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি দল্লিয়ু মন্দাকিনি, ওঙাঙবীতোন অমসুং টিঐস বিধ্যারানিনি। সিও ক্লবতগী কেএসঐচ জ্যোতিবসু অমসুং কেএসঐচ সোনিয়ানি। অদুগা আইদিয়েল ক্লবতগী এম পুস্পা অমসুং মৈরা ক্লবতগী এন কিরনবালানি।

# নেসনেল হোক্কি জুনিয়র মেন্স এ দিভিজনগীদমক মণিপুরগী টিম খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ঃ

চৎলিবা থা অসিগী ২০ দগী হৌরগা ৩০ ফাওবা মধ্য প্রদেশকী কোনুং সহর ভোপালদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র মেন্স এ দিভিজন নেসনেল হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী শান্নরোই ২২ গী টিম অমা মণিপুর হোক্কিনা ঙসি প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খল্লে হায়রি।

মণিপুর হোক্কিগী জেনরেল সেক্রেটরী এস সুনিতা দেবীনা থোরকপা চেরোল অসিগী মতুং ইন্না খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপরদা ঐস ধনরাজ অমসুং টি গোবিন, ফুল বেক্তা এস সুরেস, দল্লিয়ু গাজেন্দ্রো অমসুং কেঐস ধনজয়নি। হাল্ফতা এম রবিচন্দ্র, কেএসঐচ ৱাংঙম্বা, এম রোবার্ট, কেএসঐস দোল্লর, ঐস অমরজিৎ অমসুং পি রাকেশনি।

অদুগা ফোরৱার্দতা এল মন্তোস, কে ইবুঙো, টিঐস হেম্বোইবা, এন বাকর, টিঐচ কিরনকুমার, কে দেবেশ্বর অমসুং এন সঞ্জয়মনিনি। রিজার্বতা লৈরিবা মখোয় মরি অদুনা আই সন্তোস, মহেসকান্ত, দেনিক অমসুং প্রিয়োবতনি।

# রঞ্জন ইন্টরনেস্নেল জিমনাষ্টিক্স জজ কোর্স মাই পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ঃ ফেদেরেসন ইন্টরনেস্নেল দি জিম্নাষ্টিকী মীৎয়েং মখাদা জিম্নাষ্টিক ফেদেরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা চহি অসিগী মার্চ ৪ দগী ৯ ফাওবা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা ১৪শুবা সাইকল এফ আই জি এরোবিক জিম্নাষ্টিক জজ কোর্সতা মণিপুরগী য়ুম্নাম রনজন সিংহ কেটিগোরি ৪দা মাই পাকখ্রে।

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ওইনা য়ুম্নাম রঞ্জননা এরোবিক জিম্নাষ্টিক্কী ইন্টরনেস্নেল জজ কোর্সতা অহানবা মাই পাকপনি। মহাক ইন্টরনেস্নেল জজ কোর্স মাই পাকপদা নত্তনা জিম্নাষ্টিক একাদেমী লেভেল ৩সু মাই পাক্লবা মীশক্লি। মহাক্না অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা এরোবিক জিম্নাষ্টিক জজ কোর্স মাই পাক্লকপদা মণিপুর জিম্নাষ্টিক পেরেন্ট এসোসিয়েসন্নসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।












Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*